# শেল্লেপ মাঙলগা হল্লক্কনু

## মায়থীরবা লান্মী ওইনসু হল্লক্কনু

হৌজিক্কী ওইনদি সেন্টরগী লুচিংবশিং হায়বসিদা লোইনমক হায়বদি খো-খোৎপা য়াওরে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, মহাক্কী পাম্বোম য়েৎ-ওই ওইরিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাঠ য়াওনা 'এন দি এ' গী ছাতিননা খঞ্জিনদুনা তুপমিন্নরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী খোঙবী-খোঙনাও পূম্নমক্তগীনা এল্লায়েন্স অসিবু লুচিংলিবা লুচিংবশিংগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী প্রসিদেন্টদগী হৌরগা থৌপুবা পূম্নমক য়াওবনি। ঙসি-ঙসিমক্কী লৈঙাক্লোনসিদদি মখোয়না তৌগে হায়বদা ঙমদবা লৈত্রিবনি। মসিমক্না মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা হায়বদি 'পোপ্যুলর মিনিষ্ট্রি' অমা অমুক হন্না লিংহনবীরক্কবা শেমহনবীরক্কবা হায়জরুনি অমসুং তকশিল্লুনি হায়দুনা দেল্লীদা পাইশিন্নখিবা হায়গদ্রা খোঙদোই হুনখিবা, খোঙদোইখিবা হায়গদ্রা ওখাক য়াম্লে। মখোয়দদি লৈবাকসিগী কোনুং দেল্লীদা চৎথোক-চৎশিন তৌবসি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল কাবদৌনা থোকপনিনা হন্নরকপসু য়াওরম্লগদ্রা? য়াওরগনা কনা-কনানো, কয়াম য়াম্বা জাৎনো হায়বদুদি মখোয়গী খোঙ্গুল লিরুদ্রবদি খঙলরোই। অদুবু দেল্লীদা হান্নদগী লৈরকপা খরগা হন্দক চোম্লপ-চোম্লপ চঙশিন্নরিবশিংসিগা পুনশিন-তিনশিন্নরবদি ফনা য়াম্লে। য়ামসনু। মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈরিঙৈদবু মসিগী লুচিংবা লৈঙাক্লোইশিং পূম্নমক্না ষ্টেটসিবু থাদোক্তুনা ফুক-ফুক হৌগৎনদুনা হুন্দোক্লম্লগা চৎপা য়াদবগী ৱানি। তঙাইফদনা চৎতবা য়াদবদগী চৎলবসু লৈঙাক্লোই মশেলদা চার্জ শিন্নরম্লিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিসু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লক্লগা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরকপদগী মীহুৎশিংসি মনুংদা হোত্রোং হোরগা মমিংতগী কুরাংবান খক্তা ঙাইরবনিনা লোইনা হৌনরগা পুল্লপ চৎলবসু থোইদোক্ত্রে। করিসু কায়দ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর্স ওফিস (পি এম ও) য়াওনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী অমসুং পার্টিগী লুচিংবশিংগী থোঙ্গালদা অমসুং থোঙজিন্দা হিয়াংথাং বর খুরুম্বা লাকপশিং পৌ নম্বদৌনমক থোকহল্লুরবা ফাওবদা করিসু কায়দ্রে। মশীং য়াম্লিবা মখে ফৈ। হেন্না মপাঙ্গল কনগদোইনি। সেন্টরগী লুচিংবশিংনসু লূম্না অমসুং মরু ওইনসু উদোইনি, লৌদোইনি।

অদুবু লৈরম্বা লৈঙাক্তুগী হায়বদি রুল্লিংদা য়াওনা য়াওনা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' তাল্লকপদগী তমথীরবা লান থোরক্তুনা ইম্ফালদা হৌজিক ফাওবা খোঙদারক্ত্রিবা মখোয় ১০দুগী ফিরেপতি কম্মাই তৌরিগে? ৱাহংসি পোপথোরকই হায়দুনা হৌজিক লৈঙাক শেমহনবীয়ু হায়জরুনি অমসুং শোয়দনসু শেমহনবীরক্কনি হায়বগী অচৌবা মঙলান অমমমগা লোয়ননা হোৎচিন্নরিবশিংসিগী শৃৎ নানবা লম্বীদা নুঙজাও ওইগে হায়বা নত্তে। মখোয়গী মঙলানশিংদু মঙফাওনবগী মহুত্তা মঙলাক্নরো অমসুং চুহি চফু কাই হায়বগী থৌদোক্তুমক থোক্লসনু হায়বা নত্তে। ফেব্রুৱারী ১০, ২০২৫দগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা রিজাইন তৌহনখিবা, অনৌবা মহুৎ লৈঙাক অমা লিংহনবগী মহুত্তা এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লগা পি আর চলাইরকখিবগী মায়কৈ ফাংবা মরমশিংগী মনুংদা মখোয় ১০সু খ্বাইদগী মরু ওইবা অচৌবা'মা ওইরিবনি হায়বসিদি অচুম্বনি। মে ৩, ২০২৩ অমসুং মসিগী মমাঙগী য়ামখ্রবা ময়ামদু লোইনা কোৎথোক্লুদ্রবসু সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবা কুকি-জোগী সী এস ওশিং অমসুং কোর্টু, আই টি এল এফনচিংবনা লৈঙাক্তুবু লুচিংখিবা নুপাদুগী মায়োক্তা ফৈগাক ফৈনা লেপখি। মহাক শিন্দোক্নবা, লৌথোক্লবা অকনবা প্রেসর পীখি। থবকসিদা মখোয় ১০নসু অচৌবা থৌদাং লৌখি। মচিন্না থোক্লা ফোঙদোরকখি। অইবা চেরোলশিংসু পীশিনখি। লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানদবা য়ারক্তবনিনা কুকি-জোগী সী এস ওশিংগী য়াকা য়েংদুনা চৎতবা য়ারকখিদবনি। লুচিংবদু শিন্দোক্লগা লৈঙাক্তু মখা শাংথনা লৈহনবা য়াগদবা পাম্বে লৈব্রা হায়দুনা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা হুমা-হুমা থিরকপদা ষ্টেট লৈঙাক্তু পায়মিন্নরিবা মশেলগী মরক্তা চিনার অমুনবা চেকখাইবদৌনা তৌরকখিবা, মখোয় মঙাখক লৈবা ওপোজিশননসু মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা এসেমব্লিগী ফ্লোরদা লোংগ্রৌ চল্লগা পুন্ত্রে তুহন্নবা মফি শেন্নকপদগী হৌজিক্কী ফীভমসি ওইরকখ্রিবনি। মসি ওইরগদি অনৌবা লৈঙাক অমা শেমজগে, শেমহনবীরো হায়জবদদি লৈঙাক মুখৎখিবগী মরমশিংদু হান্না শুদোক-চামথোক্তুনা শিৎ নালহনবা অমা চঙই হায়বনি। দেল্লীদা চঙশিন্নরিবশিংসিবুদি 'ঐখোয় অমত্তা ওইমিন্নরে, য়েৎনবা-য়ানদবা অমত্তা লৈত্রে, সেন্টরগী লুচিংবশিংনা খল্লকপা লুচিংবদুদা পূন্না শৌগৎলগনি' হায়নবুদি পাউখুম্লক্কনি হায়ববু লাপ্না য়েংবদা অমত্তা ওইনা চপ মান্ননা উরবসু নকশিল্লগা পূন্না য়েংবদদি ঈশিংগা থাওগা তোঙান-তোঙান লৈবগী ফীভমদুদা অদুম্মক মচি লেঙদনা লৈরিবা মাল্লে। ৱাফমসিসু মানবা ওইরমদুনা অশেঙবা-অচুম্বা ওইরমদবা ওইরসনু। অদুবু লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্তুনা ঈং-তপ্পা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভমদুদা হঞ্জিল্লক্ত্রিঙৈদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমহনবীরক্কদ্রা হায়বনি। শেম্বু শেমহনবীরক্লবদি য়াম্না ফৈ। মথংগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্কদবা মতমসু খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবনিনা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মখোয়গা মচু মান্নবা ষ্টেট লৈঙাক অমা অমুক হন্না লিংববুদি কৈদৌবগী পাম্লোইদগে? অদুবু মমাঙ চহী ২০২৪দা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখলদুদা মায় পাক্লবদি সিট ২ ফংগনি খঙনা খঙনা থৌ-ৱা শাখিদবনিনা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা থোইদোক্না লূম্না লৌদব্রা খল্লকপগী ৱানি। খল্লিবসিসু অরানবা ওইরমদুনা হন্দক্কী খোঙচৎ ময়ামসিগী মহয় য়ান্দুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শোয়দনা শেমহল্লকপদি ওইরসনু। অদুবু মণিপুরগী মীয়াম্না খঙগদবদি প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাকসিনা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনরকপদগী হৌজিক ফাওবদা ওইহল্লক্লিবা মণিপুরগী ফীভমসিবু উৎতা ঘী হৈজিনগদবা থৌওংদি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা কৈদৌনুংদা চত্থরক্লোই হায়বসিমদি অচুম্বনিনা ময়েক শেংনা খঙগদবনি। হায়বদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা 'শগোল হঞ্জিন কৈনা চায়' হায়বদুগী থৌদৌদুদি কৈদৌনুংদা চত্থরক্লোই হায়বসিনি। মতম শাংনা লানগী মৈশা মৈৱাইরক্লিবা মীয়াম হৌজিকসু মপী-মপা লৈজদ্রবা পিতৎ-পাতৎপশিং ওইনা লৈরক্লিবনি হায়বসি হন্দক্তি কাউথোক্লনু। তাইবঙ কৈথেল কারকপদা, পূন্সি লল্লোনবা লাকপদা শেন্দোংতানগে খল্লুবা শেল্লেপ মাঙদনা হনগদৌরে হায়বদুদি তাহল্লক্কনু। হাঙলবা য়ূমদা মতম কুইরবগী তুংদা মায়থীরবা লান্মী ওইনা হনগদৌরে হায়বদুদি তাহল্লক্লনু হায়বনি। 'বিজয় ভৱ' লেপ্নমক মায় পাকচরক্লোকো!!

## মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

## (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৬৭৮)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

থৌদোং লালদাবা। কোইরেং মনলোম তুপপা মিংকৌয়ে। তুবী হুয়েল লালদাখিবদি। অসিনসু লোইবা লৈখিদে। মাইকৈ নোংপোক পাংবা লম। ৱারিং নোংপোক লমদমমমা। তেংলৈ মানপপী ৱাইরং লমদা খোঙলেঙনা। তাইতন অমে নিংঙোল মশু মচানা। খোংখঙ লম। পাসি হোইতোম নুখ্রাবী খোংতাক লম। শেলবী কবো লৈহাও মিংকৌবনা। মালং মমৈ ৱাইনা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

## (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯶꯷꯸)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯢꯊꯣꯛꯂꯛꯄꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯉꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯊꯧꯗꯣꯡ ꯂꯥꯜꯗꯥꯕꯥ꯫ ꯀꯣꯢꯔꯦꯡ ꯃꯟꯂꯣꯝ ꯇꯨꯞꯄꯥ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯇꯨꯕꯤ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯈꯤꯕꯗꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯅꯁꯨ ꯂꯣꯢꯕꯥ ꯂꯩꯈꯤꯗꯦ꯫ ꯃꯥꯢꯀꯩ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯄꯥꯡꯕꯥ ꯂꯝ꯫ ꯋꯥꯔꯤꯡ ꯅꯣꯡꯄꯣꯛ ꯂꯝꯗꯝꯃꯃꯥ꯫ ꯇꯦꯡꯂꯩ ꯃꯥꯟꯄꯄꯤ ꯋꯥꯢꯔꯪ ꯂꯝꯗꯥ ꯈꯣꯡꯂꯦꯡꯅꯥ꯫ ꯇꯥꯢꯇꯟ ꯑꯃꯦ ꯅꯤꯡꯉꯣꯜ ꯃꯁꯨ ꯃꯆꯥꯅꯥ꯫ ꯈꯣꯡꯈꯪ ꯂꯝ꯫ ꯄꯥꯁꯤ ꯍꯣꯢꯇꯣꯝ ꯅꯨꯈꯔꯥꯕꯤ ꯈꯣꯡꯇꯥꯛ ꯂꯝ꯫ ꯁꯦꯜꯕꯤ ꯀꯕꯣ ꯂꯩꯍꯥꯎ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯅꯥ꯫ ꯃꯥꯂꯪ ꯃꯃꯩ ꯋꯥꯢꯅꯥ꯫ ●

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ২৩৫ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)



চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মণিপুরগী মীয়াম্না নুংশিরিবসি শুপ্নগী শুমাং লীলা অদুতবু নত্তে, শুমাং লীলাবু শান্নরিবা আর্টিষ্টশিংবুসু য়াম্না নুংশিবী। হোয়, ঐখোয়গী মরমদা ফত্তবা ৱা হায়বা অমদি ফৈরেং তুরেং তৌবা হায়বদুনা মরন্নাইগী ওইবা ৱানি। মীয়ামগী ওইনা চাংচৎতা য়েংবদদি লীলাগী আর্টিষ্টশিং অসি মচা মনাওদৌনা য়াম্না লুনা তৌবী। মসিগীদমক লৈবাক মীয়াম্বু হন্না হন্না খুরুমজরি। ঐখোয়না কোইনা চৎতুনা লীলা শান্নবদা করিগুম্বা কা হেনবা ফত্তবা থৌদোক ৱাথোক থোকপা থেংনদে। ঐখোয়গী খুদোং চাদবা কয়াদা ময়াম্না অদুম মতম মতমগী মতুংইন্না মতেং পাংবীদুনা লাকখি। খুন্নাই অমা লৈরবদি অফবা খরা, ফত্তবা খরা লৈবা হায়বসিমদি ময়েক্লা তাবা ৱাফম্নি। কুম অমদি ওম্বোক্লা তমথীখ্রবা থৌদোক অমা থোকখি। মদুমসু ঐগী পূন্সিদা কাউবা য়াররোইদবা নুমিৎ ওইনা অসুম লৈহৌরগনি। অন্দ্রোদগী চৎলগা লৈবা মফম অমদা ঐনা মমি শামী ওইনা নীংশিংবদা লৈরোংথেল হায়বরা খুল অমা লৈবনি। মফমদুদা শ্বষ্টি পুজাগী মতমদুগী ঐখোয়গী লীলা "শংবান্নবা অতিয়া" হায়বা লীলাদু কৌবনি। য়াম্না কুইরবা মতমগী ৱানি। ঙসিদগীনা চহী ৪৩ মুক্কী মমাঙগী ৱারীনি। ঐখোয় মতমদুদা মিনি বস অমা ৱাইরগা চৎলি। গাড়ীদুগী মপুদু উৎলৌদগীনি। তা চাউবা কৌই। অদুগা নুমিৎতুদা গাড়ীদু থৌরিবনা ঐনসু য়াম্না নুংশিনা কৌজবা তা ধিরেননা থৌবনি। কুইরে থেংনখিদবা, করম-করম তৌখ্রবনো অমত্তা খঙদ্রে। নুমিৎতু ওফিসতগী থাগী তোলোপসু ফংবগী ফুরিৎখাওদা কেশিয়রনা পীরকপা শেল খরা য়াওরি। অদুগা নুমিৎতুগী লীলাগী এদভান্স লুপা ২০০ অমসু পীরম্মী, মদুসু ঐনা পায়বনি, লীলা নুমিৎনিনা মদুসু য়াওরি। ঐখোয় লীলা শান্নবা চৎলি। হূইকপ য়ৌরকপদা ঐখোয়গসু য়াম্না খঙনবা, লীলা য়াম্না থৱায় য়াওবা ইনাও অমা থেংনৈ, মাসু লীলা য়েংবা চৎকদৌরিবনি হায়না ঙাইদুনা লৈরম্মী। হান্ননা পাউ ফাওনবনি। মানা বজারদা লাকপদা মফমদুদা লীলা লৈ হায়বসি খঙখ্রবনি। অদুনা ঐখোয়না চৎপদা মাসু লম্বীদা ঙাইরমগে হায়দুনা মাসু ঙাইদুনা লৈরম্মী। মাসু গাড়ীদা তোংখৎলে, ঐখোয় থৌরে। দাউ য়াদবা হায়গদ্রা নোংসি খরা খরা চুবা হৌরকই। য়াম্না কন্না চুবা নোংদি নত্তে, অদুবু মতমদুদদি লম্বীসি অসুক্কী মতিক ফত্তে। ঐখোয় লৈরোংথেল হায়বদু য়ৌগদবা য়ামশিল্লক্ত্রবা মতমদা গাড়ীদু থৌবা ঙমদ্রে। মরমদি লম্বীদু খরা ঙমখৎপা, মিনি বস হায়বসিদি য়াম্না মপাঙ্গল শোনবা গাড়ীনি। অদুনা ঐখোয় খরা কুমথরগা ইনবনি। ঐগী ফুরিৎতু নোংগা থিৎলি-থিৎলি চুবদুদা লৌথোক্লগা গাড়ী মনুংদা ঐগী মমাঙগী সিট অদুদা থম্বনি। মতমদু ঐ নুপী থিবা কুইদ্রি। অসুম্মাইনা ঐখোয় সুম সুম চঙশিল্লকপনা মৈনম পায়রগা মী খরনা য়াম্না লাপ্না ঐখোয়বু ঙাইরিব্রা, নৎত্রগা লীলা য়েংবা চৎলিব্রা মরী মরী চৎপদি উবা ফংলবা মতম অদুদা খঙহৌদনা চীংগী নাকল-নাকলদগী মী তরেৎমুক কুমথরক্লগা ঐখোয়গী গাড়ীদু খাম্মে। মখোয় মশাদা নোংমৈগুম্বা অমদি অতৈ থাঙনচিংবা পায়বা উই। নোংমৈমক্তি উদে। অদুবু নোংমৈ য়াওবদি য়াম্না শাই। মখোয়না ঐখোয়সি লোইনা কুমথরকও হায়না হায়বদগী কুমথরে। ঐখোয় লম্বীগী নাকলদা পরেং শানা লেপ্লে। মখোয় খরনা ঐখোয়গী গাড়ী মনুংদা য়াওরিবা লীলাগী পোৎয়োম খাওশিংদু লোইনা থাংথখ্রে। অদুদগী হেন্দোক্তুনা ম্যুজিক ইন্সত্রুমেন্ট গিটর (ইলেক্ত্রিককীনি), ঐগী শেল য়াওবা ফুরিৎ সিটতা থনম্বদুসু য়াওনা লোইনা পুথরক্লে। অদুগা ঐখোয়গী ইশাদা য়াওবা ঘড়ী, শেল লোইনা মথং মথং লৌবা হৌরে। হূইকপ্তুগী লাকপদুনা ৱা খরা হায়রুই, ঐখোয়দি লীলাগী কাঙবুনি, করিগীনো অসুম্মাইনা তৌরিসে হায়বদা মীশিংদু মরোল লোইনা খোই। অদুগা মখোয়না পায়রকপা শীংজং মচা অমনা মীদু তম্না চোপ লাউনা য়ানশিল্লকই। মীদুনা লৈথোক্লগা মশাদদি পালহৌদ্রে, অদুগা গাড়ীদা পান্দুনা গাড়ীগী বোদিদা শীংজংদুনা য়ানখি। মীদু নাম্থোক্তুনা খুদক্তা চেম্থোকখ্রে। অদুদগী ঐখোয় কিবনা মীহুন থাহুনগা অমত্তা য়াওদ্রবনি। ঐগী ইমান্নবা হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, বঙ্ক কৌবা অমগীদি মঙক্তা সনাগী লিক অমা শিবনি, অদুসু য়াওনা থদৎতুনা লৌখ্রে। ঐখোয় শৃত নাল্লে। ঐনা হেক কাউবা ঙমদবসি, মখোয়গী লিদরগুম্বা অমনা নাকন্দগী লেপ্পগা, হাওফি অমা ইল্লগা, ফিদুদা নোংমৈগী মচিনদু থিন্দোকপা শাদুনা করিনোমা মনুংদা পায়রগা মুক্তুনা, মরোলগা ইখোয় খোয়রদনা "থুরো থুরো..." হায়বা অদুনি হৌজিকসু নীংশিংলুবদা ঐগী নাকোংদা তাদুনা লৈরিবসি। ঐখোয়গী পোৎ চৈ লূট তৌবা লোইরবা মতুংদুদা মখোয়না ঐখোয়গী পোৎ চৈশিংদু মরেংবান্দা মথং-মথং য়ানশিন্দুনা চীংলোমদা কাখৎপা হৌখ্রে। অদুগা ঙসাইগী লিদর শাবদুনা নখোয় সিদগী গাড়ী মমায় লৈরগা হনখ্রো হায়রগা নমদনা গাড়ী মমায় লৈহল্লে। অদুগা মাসু চীংদা কাখৎতুনা মাঙখ্রে। ঐখোয় পাম্বৈ করিসু লৈহৌদে। ঐদি ফুরিৎতু পুখ্রবনিনা ফুরিৎ লিত্তনা হল্লকই। হল্লকপগী লম্বীদা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেশনদা কমপ্লেন্ট তৌবা চঙই। মোইনা ঐখোয়গী ৱারীদু তারগা চে অমা ইরগা থনম্মো হায়দুনা ঐনা চে অমা পুলিসতগী লৌরগা ইরগা পীশিল্লম্মে। অদুগা ঐখোয় ঙারিয়ান চীংলোমদা ইকোক কোক্লা হল্লকখি। মদুগী থৌদোক অদুনা ঐখোয় নুমিৎ খরনি লীলা শান্নবা ঙমখিদে। মরমদি নুপী শাবীগী শম, ফিরোল লোইনমক লূট তৌখ্রবনিনা লীলাদা শেৎনবা মরু ওইনা নুপী শাবীগী শম, ফিরোল খরা লাংদবা য়াদবদগী লীলা শান্নবা ঙমখিদবনি।

লৈরোংথেলগী কাঙবুদু নোং হেক ঙানবগা ওফিসতা লাক্তুনা অকনবা ৱা হায়রখি। ঐখোয়না ৱারীদু লীবদগী মখোয়সু য়াম্না নুংঙাইখিদে। ৱারীদু ঐখোয় মতমদুগী পাউচেদা লোইনা হাপখি। লোয়ননা লীলা কৌবীরম্বশিংসু ওফিসতা অমুক্তা লাকপীনবা কৌজখি। অদুগা ঐখোয় নুমিৎ মঙানি অরৈবা লীলাশিং লোইনা য়ৈথোকখি। মতমদুদদি ঐখোয়গী মতেং কৈসু পাংবীবা থোরকখিদে হায়না ঐখোয়না খনখি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইরিবদি, থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং থাখায়মুক্কী মতুং ওইগদ্রা নোংমা লীলাগী ওফিসতা পুলিস কাঙবু অমা লাকই। অদুগা নোইগী লূট তৌবা মী অনী ফারে। পোৎ খরসু ফারে। অতৈদি ফাবা ঙমদ্রি, ওফিসতা অমুক্তা লাকউ হায়রকখি। নোং ঙানবগা ঐনে, কনানো অমগা বসতা য়াইরিপোক তান্না চৎতুনা পুলিস ষ্টেশনদা চৎলি। অদুগা ৱারীশিংদু লোইনা লীরক্লে। অফাবা মীদু কষ্টদিদা লৈহৌরি। পুলিসনা হায়রকপসি, ঐখোয়গী গিটরদু য়োন্নবা হোৎনবদা, গিটরদু লৈগদৌরিবা য়াইরিপোক্তগী নুপা অমনা ঐখোয়গী পার্টিগী পোৎ লূট তৌখ্রে হায়বদু পাউচেদা হাপ্পদগী খঙবনিনা মানা গিটরদু মুন্না য়েংবদা মনুংদা 'চাকথেকপী পার্টি' হায়না থাবদু উরক্লবজাৎনি। লূটরশিংদুনদি মদু উবা নত্তে, মদু মপান্দা ইবা নত্তে। গিটরগী বোক্স অদু হাংলগা ষ্ট্রিং তিংলিবা অদুগী হোল অমা লৈবদুগী মপাদা মনুংদা ইবনি। মুন্না য়েংলকান্দা উবনি। লৈগে হায়রিবা নুপাদুনা সিদি লূট তৌখিবদু শোয়দনা ওইরম্মনি হায়না খল্লগা মানা লোন্না পুলিসতা তাক্লগা, পুলিসকা তৌরগা মীশক্তু ফাবা হৌবনি। মা ফাবদগী মথং মথং মদুদা য়াওবশিংদু মরী মরী ফানবা হোৎনবদা অমদগী হেন্না ফাবা ঙমদবনি, অতৈ লোৎখিবদগী। ঐনা তাবদা মী অনী অহুম অমদি দিমাপুরদা থবক শুবা ওইনা চেনখ্রে হায়না তাখি।

পুলিসকা ঐখোয়গা ৱারী শানরে। নোইগী পোৎসিসু লৌরো অদুগা পুলিস ষ্টেশনদা লীলা অমদি শান্নরো হায়রে। নোং ঙানবদা ঐখোয় পুলিস ষ্টেশনদুদা লীলা অমা ফ্রীদা শান্নখি। পুলিসশিংনা ঐখোয়গী চানবা ফজনা শিন লাংবীরম্মী। নুমিৎতুদা শান্নখিবা লীলাদু কাউদ্রি, "লম্লক্কী চেক্লা" হায়বা লীলা অদুনি। ●

# মণিপুরদনা করম্বা মতমদা য়ৌরক্কদৌরিবা?

পূন্সিগী ঈচেলদা - ১৩৯

**ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার**

মণিপুরদনা করম্বা মতমদা য়ৌরক্কদৌরিবা? য়াম্না তোয়না হংলকপা ৱাহংনি। সোশল মীদিয়াগী মরু ওইবা ফম্বাক অমা ওইরিবা ঐহাক্কী ফেসবুক পেজদা ইরমদমগী ইরৈচাশিংদা খরতা ওইরবসু মীৎ-মায় ওইনবা নৎত্রগা খঙজিনবদা, উশিনবদা কান্নগদবা হীরম নৎত্রগা শক্তম ওইরবদি পোষ্ট তৌদুনা স্যের তৌজে। পোষ্টশিং অসিবু থাগৎপীরকপগীদমক থাগৎপীরকই ঐহাকপু লোয়ননা তুং কোইনা থাগৎপীরকউ হায়না তাকপীরকই ইরৈচা কয়া অমনা। অসুম্না ময়াম্না পাম্নবা অমদি থাগৎপীরকউ তাকপীরকপা পোৎলমশিং অদু লৈবা মতমদা ঐহাকসু হেক হেক থাগৎলি।



মরু ওইনা টাইৱানগী নীংথিজবা লম্বী, থোং, পাৎ, তুরেল, পার্ক, টুরিষ্ট স্পোটস, পার্কিং, পোৎচৈ লৈফম শোপিং মোল, সুপরমার্কেট, দিপার্টমেন্ট ষ্টোর অসিনচিংবা কয়াগী অহেনবা মমি নৎত্রগা অরেপ্পা মমি ওইনা (ভিদিও ক্লিপস ওর ফোটোস) থাগৎলি, স্যের তৌজে। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি টাইৱান লৈঙাক্লবু ওইরসু লোকল লৈঙাকশিংনবু ওইরসু য়াম্না নীংথি নীংথিজনা শেমজিন্দুনা লুনা, নান্না থন্বীবনিনা য়াম্না ফজৈ অদুগা য়াম্নসু নুংঙাই (Beautiful and convenient).

হায়রিবা পোৎলমশিং অসি মহৌশাগী ওইরগনা খূৎশেমগী ওইবা কয়া হাপচিন্দুনা মহৌশাগী ফজবা অদু হেনগৎহনবতা নত্তনা মহৌশাগী নীংথিজবশিং অদুবুসু শা-ষণদগী, মীওইবদগী অমদি মহৌশাগী অঙৈং অশাদগী ঙাকথোক্তুনা থন্বী। অদুগা করিগুম্বা পোৎলমশিং অসিনা খূৎশেমগী ওইরবদি উ-ৱা, হৈরাং-লৈরাংনচিংবা কয়া অকোয়বদা থাজিন্দুনা মহৌশাগী নিংথিজবা অদুসু পুরক্লবা হোৎনৈ। হায়বদি, মহৌশাগী ফজবগা খূৎশেমগী ফজবগা অনীসি পূন্না পূন্না থম্বনা মপূংফানা ফজবা হায়বদো ওইহল্লি অমদি শীজিন্নবদা নুংঙাইবা হায়বদু ওইহল্লি।

খুদম ওইনা হায়রবদা, গাড়ী থৌনরিবা নেশনল হায়ৱেশিং, ফ্রীৱেশিং অমদি লোকল লম্বীশিং কোয়লাস (ব্লেক টোপ) লম্বী খুদিংমক থাবতা নত্তনা হায়রিবা লম্বীশিং অসিগী নাকল অনীমকসু উ-ৱা, হৈ-লৈ পরেং-পরেং থাজিন্দুনা কুম-কুমগী ওইবা লৈরাং কয়ানা লৈশাৎ লৈতেং ওইদুনা অসুক্কী মতিক ফজহল্লি, পূক্লিংদা ইতেক তেকখৎপা (fresh and energetic) হায়বদু ফাওই গাড়ী থৌবদা। লম্বীসু শিৎ-শিৎ নান্না থন্মী, কোমকুৎশিং (potholes) লৈতে। অদুনা গাড়ী থৌবদা চোংবা খোৎপা লৈতে, নান্না থৌই (no bumpy, jumpy).

নেশনল হায়ৱেশিং য়াম্না চাউনা, ফনা, নান্না থম্বনিনা গাড়ীসু চাংচৎ অমদা য়াঙনা থৌবা য়াবনা মতম য়াম্না মাঙহন্দে। নেশনল হায়ৱেশিংদা থৌবসি পুংদা কিলোমিটর ১০০দগী ১৩০গী মনুংদা থৌনৈ। অদুম ওইনমক মাগী মাগী লেনদা দিসিপ্লিন লৈনা থৌনবনিনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাং অমদি মীশি মীনা থোকপগী চাংসি য়াম্না নেম্মী মণিপুরগা চাংদম্নবদা।

লোয়ননা নেশনল হায়ৱেশিং অসিদা পোত্থাফম (Rest Area) কয়া শাদুনা চথোক চৎশিন তৌরিবশিংদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাবা পী, মপান-ইপান থোকপদা, চাবা-থকপদা অমদি পোত্থাবদা। খুদোংচাবা পীবতা নত্তনা রেষ্ট এরিয়াশিং অসিসু টুরিষ্ট স্পোট অমগুম্বনি, হায়বদি অসুক্কী মতিক ফজৈ, পোত্থাবদা, চাবা-থকপদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইহল্লি।

মহৌশাগী ফজবরোমদা অমুক লাকপদা পাৎ, চীং, তুরেলনচিংবা পনবা য়াই। টাইৱানদা মহৌশাগী পাৎ কয়া লৈ অদুবু খূৎশেমগী ওইবা শেমজিনবা য়াবা অমদি হাপচিনবা য়াবা কয়া হাপচিনবা অমদি পাৎকী অকোয়বদা গাড়ী লম্বী অমদি উনা শাবা খোঙগী লম্বী নীংথিজনা শেম্বীবনা অমুক্না হেন্না ফজহল্লি অমদি ৱাকিং চৎপা-খোৎপদা, লমজেন চেনবদা, পোত্থাবদা য়াম্না খুদোংচাবশিং পী (Very convenient and effective) লোয়ননা য়াম্না নান্নসু থন্মী।

তুরেলসু মদু মঙাই। চেল্লিবা তুরেলশিং পল ৱাংনা ৱাংনা খাগৎতুনা তুরেলগী ঈশিং ঈচাওদগী ঙাকথোকপদা নত্তনা পল মথক্তা গাড়ী থৌবা য়াবা লম্বীসু ওইহল্লি। লোয়ননা তুরেল খোংবান খুদিংমক পার্ক ওম্থোক্তুনা উ-ৱা, হৈ-রা কয়া থাদুনা অসুক্কী মতিক নীংথিজনা থন্বী। মরম অসিনা অয়ূক অমদি নুমিদাংৱাইরমদা মীয়ামগী ৱাকিং চৎফম অমদি শাজেল তৌফম ওই তুরেল খোংবানশিংসি।

অদুগা চীং-মানসু মরূ কোক্লা থমদে। উ-ৱা ককথৎপা লৈঙাক্লা ফাইন চাউনা চাউনা লৌই অদুনা কনামত্তা উ-ৱা ককথৎপা তৌনদে। মরম অসিনা টাইৱানগী চীংশিংসি উ-ৱানা পীক থন্না হৌবনিনা শঙবদগী হেন্দোক্তুনা মুসুক মুনা উই য়েংবদা। অদুগা লোকল অমদি মপান লৈবাক্তগী লাকপা মহৌশাগী পাৎ, তুরেল, চীং-মানবু নুংশিজবা অমদি ত্রেকিং, হাইকিংনচিংবা চৎপা পামজবা কয়াগী নুংঙাইনবা হায়দুনা হাইকিং চৎপগী লম্বীশিংসি সিড়ী (stair) শেম্লগা লোইনা থন্মী। মসিনা তুশিনবা অমদি নাম্থুবনচিংবা কয়াদগী ঙাকথোকই।

অসিগুম্বা নীংথিজবা কয়া অসিবু ঐহাক্কী ফেসবূক পোষ্টশিংদগী উরগা তোয়না হংলিবা ৱাহং অমা হায়রগদি "করম্বা মতমদা অসিগুম্বা ফজবা, চাওখৎপা, নুংঙাইবসি মণিপুরদা য়ৌরক্কনি?" হায়বসিনি। ৱাহং অসিগী ইশম শম্বা পাউখুমদি "মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না অফবা, অচুম্বা লুচিংবশিং খনবা হৈরবা, ঙল্লবা মতমদা অসিগুম্বা ফজবা, চাওখৎপা, নুংঙাইবসি পুরকপা ঙমগনি" হায়বসিনি।

য়েংবীয়ু, করিগীদমকনো ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইনা মাঙদা চঙশিনবা ঙমদ্রিবা, মীয়াম্না অসুক্কী মতিক ৱারিবা, সেন্টরগী মথক্তা ৱা অমা ফাওবা হঙ্গৎনা হায়বা ঙম্বা লুচিংবা অসুক্কী মতিক তাঙলিবা হায়বা ৱাহংশিং অসি হংলকপদা ঐখোয়গী লুচিংবশিংগী মথক্তা লোইনা তাই। অদুবু অফবা, অচুম্বা লুচিংবা খনবা হায়বসিদি মখোয়গী মথৌ নত্তে, মীচম মীয়ামগী মথৌনি, মীচম মীয়ামগী খূৎতা লৈবনি। মসিগী মথৌসি মণিপুরগী মীচম মীয়াম্না তৌরিব্রা হায়রগদি তৌদ্রি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি।

অদুদি ঐখোয় করি তৌবা তাই? অহোংবা অমা পুরক্কে হায়রবদি অনৌবা হৈনবী পুরকপা মথৌ তাই, অনৌবা খোঙথাং লৌখৎপা মথৌ তাই, অনৌবা লুচিংবশিং থাগৎপা মথৌ তাই। হান্নদগী সেন্টরগী য়াথং ইন্দুনা নৎত্রগা করপশনদা লাইচুরবা, শেমদোকপদা য়াররোইদবা অরিবা পোলিটিসিয়নশিং অসি সুম থাগৎলবদি কদাইদগী অওনবা, অনৌবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা ঙমগদৌরিবনো, শুকঙম হেক ঙল্লোই। অসিগুম্বা লুচিংবশিং অসিদি বি জে পিদগী ওইনা লেপসনু, কোংগ্রেসতগীসু লেপসনু, লোকল পার্টিদগী ওইনসু লেপসনু, ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনসু লেপসনু, মোইসিদি থাগৎপগী মথৌ তাদে, করিগী পার্টি হোংবসিনা মখোয়দা অহোংবা করিসু লাক্লোই। হূদি হূ ওইনা অদুম লৈগনি পাত্র (কন্টেনর) শিল্লবসু।

মতৌ অসুম্না অনৌবা, অফবা, চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকসি হায়রবদি অনৌবা, অফবা লুচিংবশিং থাগৎপা মথৌ তাই। মসি ওইনবা মীচম মীয়ামগী ফত্তবা, চুমদবা ৱাখল্লোন অমদি হৈনবী থাদোকপা, হোংদোকপা মথৌ তাই। মরু ওইনা লাইরিক লাইশু তমহৌদবা নৎত্রগা কয়া হৈহৌদবা অহলশিংসিনি য়াম্না লুরিবা। মখোয়বু নীংথিজনা ৱাখল তাবা নহারোলশিংনা তাকপী তম্বীবা, ৱাখল তাহনবা য়াম্না মথৌ তারি অফবা, অচুম্বা লুচিংবশিং খনবা ঙম্নবা। তাকপী তম্বীদ্রবদি মমল য়াম্লবা ভোট কয়া শেল খরনা নৎত্রগা অমম্বদা থাজবনা (superstition) মরম ওইদুনা ইরায় লায়না ভোট মাঙদুনা তোক্কনি। মতৌ অসুম্না মীয়াম্না ৱাখল হেক তাদ্রিবা ফাওবদি মণিপুরদা ফজবা, চাওখৎপা, নুংঙাইবা খুন্নাই অমা কৈদৌনুংদা পুরকপা, লাকপা ঙল্লোই। মরম অসিনা ফজবা, চাওখৎপা, নুংঙাইবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা ঐখোয় ৱাখল তামিন্নরসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।